# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 02-12-2025)

**সনাজাউবা (এল)ঃ** মীকোক থিবদা সনামহি লাইনিংবু তোখায়বা লাইনিং অমা ওইনা শকখঙনবা রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা সংসদতা পুখৎখ্রে।

হৌজিক চথ্থরিবা সংসদকী নীংথম মীফমগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা স্পিসিএল মেন্সন ওইনা সনামহি লাইনিংবু মীকোক থিবগী থবক্তা সেপরেট কোড নৎত্রগা কলম অমা হাপ্তুনা শকখঙনবা সভাগী পুকিং চিংশিনখি। এম.পি. সনাজাউবনা সভাগী পুকিং চিংশিল্লদুনা হায়-মীকোক থিবগী থবক্তা সনামহিবু তোখায়বা লাইনিং অমা ওইনা শকখঙনবা মনিপুর বিধান সভানা ইং ২০২২ গী আগষ্ট মঙাদা অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌদুনা রেজিস্ত্রার জেনরেল অমসুং সেন্সস কম্মিস্নার ওফ ইন্দিয়াদা তকশিনবা লৈখ্রে। ৱাফম অসি ষ্টেটকী ইলেক্তেদ রিপ্রজেন্টেটিবশিংগী ওইবা ৱারেপ খক্তা নত্তনা মীতৈ-মৈতৈ ফুরুপকী ওইবা অপাম্বনি।

মহাকা হায়-মীকোক থিবগী থবক্তা সনামহিবু তোখায়বা লাইনিং অমা ওইনা শকখঙনবা স্কোলারশিং, সি.এস.ও, কম্যুনিতি লিদরশিং লোয়ননা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্ড অমসুং উত্র শঙলেন সনা কোনুংগী মায়কৈদগী তকশিন্দুনা লাক্লবসু মীকোক থিবগী থবক্তা সনামহিগী তোখায়বা কোড অমা হাপ্তবনা সনামহি লাইনিং চৎচরিবশিংগী লাইনিংদা মশক থিহল্লে।

**আইদিপি (এল)ঃ** কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্তিগ্রীতি (কোকোমি) অমদি আই.দি.পিশিংনা ঙরাংদগী হৌদুনা থা অমা চুপা চংশিনগদবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু লম্বোইখোঙনাংখোংদা আই.দি.পিশিংনা ৱাকৎ

খোঙজং চংশিনখি।

আই.দি.পিশিংবু মশা মশাগী ময়ুমদা হনজিলহন্নবা চংশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিগী মনুং চন্না ঙসি রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা অমসুং চীফ সেক্রেটরি-অনুরাখ ভাজপায়দা অইবা চেরোল অমসু পীশিনখি।

চেরোল অদুদা হায়-চহি অসিগী জন ৩০ দা গৃহ মন্ত্রালয়গী মীহুৎশিংগা উন্নরবা মতুং জলাই অহুমদা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা আই.দি.পিশিংগী মীহুৎশিংগা ৱারী শান্নবদা থা অসিদা আই.দি.পিশিং মশাগী ময়ুমদা হনজিলহনগনি হায়বগী থাজবা পীখিবনি। মরম অদুনা, গৃহ মন্ত্রালয় অমদি সরকারনা থমখিবা ৱাফম অদু থবক্তা ওন্থোকপীয়ু। অথুবা মতমদা আই.দি.পিশিং অশোয় অঙাম য়াওদনা হনজিনবা য়ানবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** নেসনেল তোবেকো কন্ত্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা ঙসি লো ইনফোর্সরশিংগী ওইবা রাজ্য থাক্কী ত্রেন্নিং অমা ফেমিলি ৱেলফিয়ার সাভির্সেস মনিপুরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ত্রেন্নিং অদু ষ্টেট তোবেকো কন্ত্রোল সেল, ষ্টেট হেলথ সোসাইতি, নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুর অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেস মনিপুরনা শিনবনি। থৌরম অদুদা মরুওইনা লো ইনফোর্সরশিংনা হিদাক মনাগী পোৎথোকশিং মতৌ করমা থিংগনি হায়বগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। লোয়ননা দাইরেক্তোরেট ওফ ফেমিলি ৱেলফিয়ার সাভির্সেস মনিপুরগী দাইরেক্তর-ডা: এন. বিনোনা লুচিংদুনা ঐখোয় পুমমক হিদাক মনাগী পোৎলমশিংদগী লাপথোকবা ৱাশক লৌমীন্নখি।

**কনভেন্সন (এল) ঃ** আশা ৱাকরশিংনা হকালেগী লমদা লৌরিবা থৌদাংবু শক খঙদুনা ঙসি আশা ৱাকরশিংগী ওইবা জিলা থাক্কী মীফম অমা বিষ্ণুপুর জিলাগী কিয়াম্বা নীংশিং শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি মনিপুরনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা হায়-লমদম অসিগী মীয়ামগী অনা লায়েংদা আশা ৱাকরশিংনা চাউরবা থৌদাং লৌরি। লায়না লায়চৎ লাকপদা আশা ৱাকরশিংনা মাংজিল থাদুনা হকশেলগী লমদা চাউরবা মতেং পাংলি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা জিলা অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা আশা ৱাকরশিংদা মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

**সিআরপিএফ (এল)ঃ** সি.আর.পি.এফকী ১৮৯ শুবা বটালিয়ননা শিনদুনা পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ষ্টেট কালা একাডমী হোলদা সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোক্লুনা ফি তুনবা মেছিন অমদি ফিশা-কোনশিং য়েন্থোকখ্রে।

থৌরমদুগা মরী লৈননা সি.আর.পি.এফ. মনিপুর রেঞ্জকী দি.আই.জি. হুইদ্রেম প্রেমজিৎনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগা মীয়ামগা অফবা মরী থন্বা তঙাইফদে। সি.আর.পি.এফনা মীয়ামবু ঙাক শেনবতা নত্তনা শোথরবা মীয়ামদা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা মতেং পাংদুনা শেন্থোক লৈহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। মখা তানসু হোৎনখিগনি হায়খি।

**দেঙ্গি(এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি মীওই ৩৯ দেঙ্গি টেষ্ট তৌবদা মীওই ১১ পোজিটিব ওইখি।

রিমস হোস্পিতালদা সেম্পল ১৯ টেষ্ট তৌবদা মীওই অহুম পোজিটিব ওইখি। জেনিমস হোস্পিতালদনা মীওই ২০ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৮ পোজিটিব ওইবা থেংনখি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-রাজ্য অসিদা হৌজিক ফাওবদা সেম্পল লিশিং ১১,৫৭৫ টেষ্ট তৌবদা মীওই লিশিং ৫,৪৭৬ পোজিটিব ওইরে। ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মফম অহুমদা লৈবা য়ুম ৫০ দা চংদুনা সর্ভে চথবদা য়ুম ৮ দা দেঙ্গি পোজিটিব ওইরম্বা

থেংনখি। হৌজিক ফাওবদা য়ুম লিশিং ৩,৩৬৪ অমসুং রিলিফ কেম্প ১০ দা মৈখু কাপথোকখ্রে।

**পোল্যুসন (এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংনা ঙসি ‘নেসনেল পোল্যুসন কন্ট্রোল ডে ২০২৫’ পালন পাঙথোক্লি।। চহী অসিগী ওইনা পালন থৌরম অসিগী হীরম অসি ‘সস্তেনেবল লিভিং ফোর এ গ্রিনর ফ্যুচর’ হায়বা ৱাফম অসিনি।

পোল্যুসননা মীওইবা খুন্নাইদা অমদি ঐখোয়গা শাগোন্ননা লৈরিবা ঈশিং নুংশিৎ, লৈবাক-লৈহাউনচিংবদা অকাইবা পীরক্লিবা অসি খরদা ওইরবসু ঙাকথোকবগী ৱাখল্লোনদা নুমিৎ অসি চহী খুদিংগী পালন তৌরি। ইং ১৯৮৪ দা থোকখিবা বোপাল গ্যাস ত্রেজদিদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংবু নিংশিংদুনা অমদি পোল্যুসননা ঐখোয় মীওইবদা পীবা চৈথেংশিং মীয়ামদা খঙহল্লগা অকোইবগী ঈশিং নুংশিৎ ঙাক্তুনা থমবগীদমক পালন থৌরম অসি মফম কয়াদা পাঙথোক্লি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা দাইরেক্তোরেট ওফ এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী দাইরেক্তর ডা.টি.ব্রজকুমারনা হায়-ঐখোয়গী ঈশিং নুংশিৎ শেংহন্নবা সরকারনা পায়খৎলকপা থৌরাংশিংদা মীয়ামা মতেং পাংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। ঈশিং নুংশিৎ খক নত্তনা ঐখোয়গী য়ুম য়ুমদগী থোরকপা মপং ওইবা অরেম অখাক ফত্তা হাউদিশিংসু মফম চানা থস্বা নত্রগা মরী লৈনবশিংদা শিন্নদুনা পোল্যুসন মখল খুদিংমক থোক্তনবা হোৎনমিন্নসি হায়না আপিল তৌরি।

**কাউন্সিল(এল)ঃ** মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি মহৌশাগী ফিভমদা হনজিল্লকবা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা ঙসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

চেরোল অদুদা হায়-রাজ্য অসিগী মরুওইবা নেসনেল হায়ৱেশিং হাংদোক্তুনা অয়েৎ-অপন য়াওদনা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াহন্নবা খুদক্তা থবক

লৌখৎপীয়ু অমদি রাজ্য অসিবু থুগায়নবা হোৎনরিবা মীওইশিংগী থৌরাংদা পুকিং থৌগৎপীদনবা ৱাফমশিং পল্লি।

**সোল্লরঃ** কেন্দ্রনা হায়রি-সরকারগী বিল্ডিং লিশিং ৯১ হেনবগী য়ুমথকশিংদা মেগাৱার্ট লিশিং ১,৮০০ হেন্না মৈ পুথোকবা সোল্লর পেনেসলশিং খিল্লি।

কেন্দ্রগী ন্যু এন্দ রিন্যুয়েবল ইনজিগী রাজ্য মন্ত্রি-শ্রীপথ য়েসো নাইকনা ঙসি রাজ্য সভাদা অইবা পাউখুম ওইনা পীরদুনা হায়-লৈবাক অসিগী রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী অপুনবা সরকারগী বিল্ডিং লিশিং ৭৮ হেনবগী য়ুমথকশিংদা সোল্লর পেনেলশিং থমলে। মন্ত্রিনা কেন্দ্রগী মন্ত্রালয়শিং অমসুং বিভাগশিংদা রুপ টোপ সোল্লর প্লান্টশিং থমবা পাউতাক পীখ্রে।

সরকারগী বিল্ডিংশিংদা সোল্লর পেনেল থমবা থৌরাং তৌরিবা অসি পি.এম. সুরিয়া ঘর মুফত বিজলি য়োজনাগী শরুক অমা ওইননি।

**কম্মিসনঃ** ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই.সি.আই) না স্পিপসিএল ইন্টেন্সিব রিভিজন (এস.আই.আর) ফেজ টুগী মখাদা হৌজিক ফাওবদা ইন্যুমেরেসন ফোর্ম কোতি ৫০ লাখ ৮৫ হেন্না য়েন্থোকখ্রে। তাঙ্কক অসিদা ভোটর কোতি ৫১ হায়বদি চাদা ৯৯.৭৪ নি।

কম্মিসননা হায়-হৌজিক ফাওবদা ফোর্ম কোতি ৪০ রোমদি দিজিটাইজ তৌরি। অনিশুবা তাঙ্কক্কী এস.আই.আর. অসি মমাং থাগী মরিদগী রাজ্য ৯ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অহুমদা হৌখিবনি। অরোইবা ইলেক্তোরোল মথং চহিগী ফেব্রুৱারি তরেৎতা ফোংগনি।

**রিজিজুঃ** জাতিগী ঈশৈ-বন্দে মাতরমনা চহি ১৫০ মপুং ফারকপগী মতাংদা থা অসিগী ৮ দা লোক সভা মীফমদা অখন্ননা খন্নগনি। থা অসিগী ৯ দনা  মীখলগী থবক থৌরমশিং শেমদোকপগী মতাংদা খন্নগনি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না হায়-থা অসিগী ৮ অমসুং ৯ দা চত্থগদৌরিবা মীফম অসি লোক সভাগী অধ্যক্ষ-ওম. বিরলানা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকপা মীফমনা ৱারেপ লৌখিবনি। খন্ন-নৈনবা অসি রাজ্য সভাদসু চত্থনবগী ৱাফম পুখৎকনি। মন্ত্রিনা হায়-ইলেক্সন কন্মিসনগী থবক থৌরমশিংদা অহোংবা পুরকপা হায়বসি সরকারগী অচৌবা থৌরাং অমনি। মসি পুরকবা হোৎনবদা সংসদতা খন্ন-নৈনবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে।

**অসামঃ**অসামদা ঙসি অহোম দিবস পাক শন্না পাঙথোকরি। নুমিৎ অসি নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা অহোম কাংলুপকী মপাঙ্গল মরিংজেল অমদি মশাগী ইনাক খুল্লবা চৎনবী-নাৎ য়োকখৎতুনা থল্লম্ববু নীংশিংদুনা পাঙথোকপনি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা অসামগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীখি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী অমিত সাহনা হায়-হৌখিবা চহি ৯ লোম অসিদা শ্রী মোদিনা লুচিংবা এন.দি.এ. সরকারনা অসামদা তংদু লৈতাবা থমদুনা চাউখৎপগী লম্বীরোমদা খুমাং য়াংনা চংশিনবা ঙমহল্লে। মসিনা অসামবু মহৈ মশিং অমদি তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা মাংজিল থানা চৎপা ঙমহল্লে হায়না শ্রী সহানা মখা তাখি।

**চিঙ্গাকঃ** কেন্দ্র সরকারনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা অফবা চিঙ্গাক ফংহন্নবা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎপগী মনুং চন্না চিঙ্গাক টেষ্ট তৌনবা লেবোরেটোরিশিং লিংখৎনবা শেম শারে হায়রি। ৱাফম অসি ফুদ প্রোসেসিং ইন দষ্টি মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেটরি-রঞ্জিৎ সিংহনা অকাশবানি পাউমীগা অখন্নবা উন্নবদা ফোংদোরকখিবনি।

মহাকা হায়-চিঙ্গাক টেষ্ট তৌনবা লেবোরেটোরি ১০০ শানবা লুপা কোতি ৫০০ সরকারনা কায়থোক্তুনা থল্লে। মসিগীসু মথক্তা ফুদ ইরেগ্রেসন য়ুনিট ৫০

শানবা থৌরংসু পায়খৎলে হায়রি।

**জয়শঙ্করঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটকী মপান থৌরম মন্ত্রি অমদি উপ প্রধান মন্ত্রি-অব্দুলা বিন জয়েদ অল নহায়নদা লৈবাক অদুগী নেসনেল ডেগা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল পীখ্রে। লোয়ননা লৈবাক অনিগী মরক্তা মতম চুপ্পদা অফবা মরী থমবগীদমক তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং পায়খৎমীন্নবগী শেম শারি হায়নসু শ্রী জয়শঙ্করনা ফোংদোক্লি।

**য়ু.পিঃ** কাসি-তামিল, শঙ্গমমগী ৪ শুবা তাঙ্কক ঙসি উট্টর প্রদেশকী বরানাসিদা হৌখ্রে। কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান অমসুং উট্টর প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি য়োগি অদিত্যানাথনা থৌরম অদু হৌদোকখি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

**গ্যানেসঃ** ইন্তরনেসনেল ইন্সটিট্যুট ফোর দেমোক্রেসি এন্দ ইলেক্তোরেল এসিসতেন্সকী মীফমদা ইহান হানবা ওইনা ভারতনা সভাপতি ওইদ্না হয়েং পাঙথোক্লগনি।

স্বিদেনগী স্তোল্কহোমদা পাঙথোক্কদবা মীফম অসিদা চিফ ইলেক্সন কম্মিসনর গ্যানেশ কুমার শরুক য়াগনি। ভারতপু অসিগুম্বা মীফম অসিদা সভাপতি ওইনবা খল্লকপা অসিমক লৈবাক অসিগী চাউথোকচনিংঙাইনি হায়না চিফ ইলেক্সন কম্মিসনর গ্যানেশ কুমারনা ফোঙদোরক্লি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিদা অকি তুজংবা অমদি অরান অহুই য়াওদবা মীখল কয়া ভারত্তা পাঙথোকখিবা অদুবু মালেমগী মীয়ামা মশক খঙলে হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লি।

**ক্রিকেট ঃ** মোরনিং স্তার এসোসিয়েসন-থাঙ্গা খুঞ্জেম লৈকাইনা শিনদুনা চথরিবা

মঙাশুবা ষ্টেট লেবেল এল. ইবোচৌ মেমোরিএল ওপন ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী থাঙ্গাগী লাইনিংথৌ লম্পাক খুঞ্জেম লৈকাই গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ফোটোগ্রাফর য়ুনাইটেদ-থঙ্গা লৱাইনা সি.এ.টি.ঐচ. থঙ্গাববু ৱিকেট অনিদা থোইখি।

**ক্রিকেটঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লিগ মেটচতা-কে.সি.দি.ও. কোংপালনা ৱাই.ডব্লিয়ু.সি.-পাৎশোবু রন-৮০ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-আই.দি.এস.এ. য়ুমাম লৈকাইনা এম.পি.এ. থৌনাওজমবু ৱিকেট মরিদা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** গুজরাটকী অনন্দ লৈবা লাল বহাদুর শাস্ত্রিদা চথরিবা কুশ বিহার ট্রোফি প্লেট য়ুথ ফার্ষ্ট ক্লাস মেটচকী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা মনিপুরনা মিজোরামদগী রন-২৭০ হেন্দুনা মাংজিল থারি।

**ফুটবোলঃ** অন্দর সভেন্টিন ইন্দিয়ান ফুটবোল টিমনা এ.এফ.সি. এসিয়ান কপ ক্বালিফাই ওইবদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা ফুটবোল্লর-গুনলৈবা ৱাংখৈলাকপমবু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই থাংজম লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম.এল.এ. থাংজম অরুনকুমার য়াওনা নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (নেসু)-খুরাইগা থৌমীশিংনা মহাকপু হরাও তয়ামা ওকখি। গুনলৈবা ৱাংখৈলাকপম নেসু-খুরাইদা পীক্লিকৈঙদগী হৌনা ফুটবোল শান্নরকখি।

**ফুটবোল ঃ** কার্গিল ব্রেভ হার্টস মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা চান্দেল খৃষ্টাননা চিংখুবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা-দামজোল এফ.সিনা চিংবাং এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা অমদি হৈবুংরোক ৱাই.সি.সিনা জাফৌ ৱাই.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল ঃ** ৩ শুবা প্রেমিয়ার লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সাউর্দন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা এঠলেটিক বদরদস এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা-রাইজিং এঠলেটিক য়ুনিয়ন (রাও) অমসুং য়ঙ ফিজিক্স য়ুনিয়ন পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি।